# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 13-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী আইন্না থিংখ্রবা লুপ মরিগী মীওই মরি অমসুং য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

২) নিট য়ু.জি. পরিক্ষাগী ক্বেসন লিক ওইরকপগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদগী চিংনবা মীওই ১৫ ফারে।

অমসুং

৩) তামিলনাদুগী টি.ভি.কে সরকার ঙসি রাজ্য বিধান সভাদা থাজবগী ভোৎ লৌনরগনি।

------

সেক্যুরিতি (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী আইন্না থিংখ্রবা লুপ মরিগী মীওই মরি অমসুং য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চেক্কোনদগী এন.আর.এফ.এমগী কাদর অমা ফারে। জিলা অসিমক্তদগী নোংঙাদা মখা লৈকাইদগী কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমসু ফারে হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লাঙ্গোল লাইমনাইদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা ফারে। মীওই অসিদগী তোঙান তোঙানবা পোৎলম খরসু ফংলে হায়রি।

জিলা অসিমক্তদগী কাঞ্চিপুর সুপর মার্কেটতগী প্রিপাক্কী হকচিনবা কাদর অমসু পুলিসনা ফারে হায়রি। ফারবা মীওই অসিদগী লুপ অসিগী দিমান্দ লেটর ১১ সু ফংলে।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী লোক্তাক মপাল কৈফা লম্বী মনাক্তগী য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং পুলিসনা ফারে হায়রি। খুৎলায়শিং অসিগী মনুংদা বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, মেগজিন লোয়ননা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, মোরতার সেল অমা, ঐচ.ই. থার্তিসিক্স হেদগ্রেনেদ মরি, স্মোক গ্রেনেদ অনি, ইমপ্রোভাইস রোকেট মোরতার অমা, জেলেতিন ষ্টিক অহুম, এন্তি এয়ারক্রাফট এম্ম্যুনেসন অমা, নোংমৈ মরু য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়াসু য়াওরি।

লাইশোইদগীসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে। বোল্ট এক্সন রাইফল অনি, কন্ত্রিমেদ নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, রাইফল অমা, রোকেট মোরতার অমা, কিলোগ্রাম মরি লুম্বা আই.ই.দি অনি, থার্তিসিক্স হেদগ্রেনেদ মরি, চাইনিজ হেদগ্রেনেদ অমা, মোরতার সেল অনি, পোম্পী মোরতার সেল অমা, ট্যুব লোঞ্চিং রাউন্দ মঙা, তোঙান তোঙানবা নোংমৈশিংগী মেগজিন অহুম, নোংমৈ মরু কয়া য়াওনা অতৈ পোৎলমশিংসু ফংলে হায়রি।

মরক অসিদা, থা অসিগী ১১ দা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ত্রোংলাউমী মনিং গুরুখানাদগী আই.ই.দি অমা ফংলে হায়রি। মফম অসিমক্তদগী দিতোনেতর অনি, গন পাউদর য়াওবা প্লাষ্টিক পেকেট তরুক, সেফতি ফ্যুজ ৱায়ারনচিংবা পোৎলমশিংসু ফংখি।

ওবিৎ (এল)ঃ মণিপুরী ক্লাসিকেল জগোইদা পদ্মাশ্রী মনা ফংখ্রবী ক্ষেত্রিময়ুম ওংবী থৌরানিশাবী দেবী ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ মথক থোকচোম লৈবা মশাগী ময়ুমদা ঙরাং লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৯১ রোম শুখ্রে।

মহাকা লৈখিদবদা তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিংনা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা পদ্মাশ্রী মনা পীদুনা ইকায় খুমখ্রবী ক্ষেত্রিময়ুম ওংবী থৌরানিশাবী দেবীনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ভারত সরকারনা ২০০৩ দা পদ্মশ্রী মনা পীদুনা ইকায় খুমখ্রবী থৌরানিশাবীনা লৈখিদবা অসি রাজ্য অসিগী ওইনা কলা সংস্কৃতিগী লমদা চাউনা মাংজবা অমনি। মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতি অসিবু য়োকখৎতুনা মীয়ামদা মশক তাক্লম্বা মীওই অমনা লৈখিদবা হায়বসি লম অসিদা চাউনা হাংদুনা লৈরগনি। শ্রী খেমচান্দনা হায়- মহাক্কী থৱায়না লাইরম্লেনদা ইংনা চিকা লৈবা ওইরসনু অমদি ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি।

অমরোমদা, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা পদ্মশ্রী মনা ফংখ্রবী লৈশাংথেম নিংঙোল ক্ষেত্রিময়ুম ওংবী থৌরানিশাবী দেবীনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোরক্লি। মহাকা রাজ্য অসিগীদমক কলা সংস্কৃতিগী লমদা তৌরম্বা থবকশিং মতম চুপ্পদা নিংশিংদুনা লৈরগনি হায়রি।

চান্দেল (এল)ঃ চান্দেল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা স্কুলশিংদা থা অসিগী ১৮ দগী ২৩ ফাওবা আধার ইনরোলমেন্ট অমসুং অপদেসনগী থবক চত্থরগনি হায়না দিপ্যুতি কম্মিসনার চান্দেলগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়- জিলা অসিগী মহৈরোইশিংনা অকুপ্পা মরোলগীদমক মখোয় মখোয়গী স্কুলগী প্রিন্সিপাল নত্রগা হেদ মাষ্টরশিংদগী খঙবা য়াগনি।

নিট ঃ নিট য়ু.জি. পরিক্ষাগী ক্বেসন লিক ওইরকপগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদগী চিংনবা মীওইশিং ফাগৎপগী থবক চত্থরি।

রাজস্থান পুলিস স্পেসিয়েল ওপরেসন গ্রুপ (এস.ও.জি)না হৌজিক ফাওবদা কেস অসিগা মরী লৈননা চিংনবা মীওই ১৫ ফাগৎলে।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়- মীওইশিং অদুদা ৱাহং পাউহং চত্থবদা পরিক্ষা পাঙথোক্ত্রিঙৈ মমাংদা ক্বেসন ফংবগী ৱাফমশিং খঙবা ঙমলে। এস.ও.জিনা জয়পুরদগী হিরম অসিদা মপুং ওইনা চেন্নবা মনিশ ঙরাং ফারে। মসিগী মমাংদা এস.ও.জিনা দেহরাদুনদগী মীওই ৫- শিখরদা বেজ তৌবা কেরিয়র কাউন্সেল্লর রাকেশ কুমার থা অসিগী ৭ তা ফাগৎখি। মসিগী তুংদা

মীওই মরি অমসু ফাখি। নাশিক পুলিসনা নিটকী ক্কেসন লিক ওইরকপগা মরী লৈননা মীওই অমা ফারে হায়রি। মীওই অসি রাজস্থান পুলিস লাক্কুনা মখোয়গী কষ্টদিদা থমদুনা ৱাহং পাউহং চথুনবা নাসিক পুলিসতা খঙহন্খ্রে হায়রি।

তামিলনাদু ঃ তামিলনাদুগী টি.ভি.কে সরকার ঙসি রাজ্য বিধান সভাদা থাজবগী ভোৎ লৌনরগনি।

মুখ্য মন্ত্রি সি. জোসেফ বিজয় তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা থাজবগী ভোৎ লৌনবা অসিদা মখোয়দা শৌগৎপীনবা খন্নখ্রে।

অমরোমদা, এ.আই.এ.দি.এম.কেগী এম.এল.এ ৩০ টি.ভি.কে সরকারদা শৌগৎকনি হায়বগী থাজবা পীখ্রে।

ব্রিক্স ঃ ভারতনা যুম্বু ওইদুনা ব্রিক্সকী ফোরেন মন্ত্রিশিংগী মীফম হয়েংদগী হৌদুনা ১৫ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। মীফম অসিদা মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা সভাপতি ওইগনি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী ৱাঙাংলোই রন্ধির জৈসৱালনা মীফম অসিগী মতাংদা নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংদা হায়- লুচিংবশিংনা মালেমগী অমসুং ব্রিক্স লৈবাকশিংগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিংগী মতাংদা খন্নগনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী য়ু.এ.ই খোঙচৎকী মতাংদা শ্রী জৈসৱালনা হায়- খোঙচৎ অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা ইনর্জি সেক্যুরিতিগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি।

ভিজিৎ ঃ লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলা অৱাংবা থাক্কী ভারতকী সংসদকী মীহুৎ কাংবুশিংগা লোয়ননা ঙসি ভুতানদা চৎলগনি। খোঙচৎ অসিদা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী মীহুৎ ৫১ অমদি মপান থৌরম মন্ত্রালয়শিংগী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াগনি। খোঙচৎ অসিদা ভারত অমসুং ভুতানগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা ৱাফমশিং খন্নগনি।

গ্যাসঃ পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রি-হরদ্বিপ সিংহ্ পুরিনা হায়রি- নোংচুপ এসিয়াদা ইরাং লৈজরবসু লৈবাক অসিদা চাকথোং গ্যাস এল.পি.জিগী অৱাৎপা লৈরোই।

লৈবাক অসিগী ওইনা এল.পি.জি. পুথোকপগী চাং নোংমদা হান্না লৈরম্বা চাংদগী শিংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎতুনা নোংমদা এল.পি.জি. পুথোকপগী চাং টোন লিশিং ৫৪ য়ৌবা ঙমলে। মসি হান্নদি টোন লিশিং ৩৬ রোমতমক পুথোক্লম্বনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা এন্যুয়েল ভিজিনেস সমিট ২০২৬ তা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা থা খরা অসিদা তোঙান তোঙানবা মালেমগী লৈবাকশিংদা এল.পি.জি. অমসুং থাউগী মমল অতিয়া পকা ৱাংখৎখ্রে। অদুমওইনমক, লৈবাক অসিদদি মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা হান্নগী মমলদা অদুম্মক ফংহল্লি। মহাকা হায়-হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিদা শুংদোক্ত্রিবা থাউ থা অনিগী শরুক লৈরি। এল.পি.জিগী ওইনা নুমিৎ ৪৫ নিগী স্তোক লৈরি। মরম অদুনা মীয়ামনা থাউ অমসুং এল.পি.জি. ফংলোই হায়বগী মীপায়নিংঙাই লৈতে হায়নসু মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

ক্রিকেট ঃ ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেটকী ঙরাং অহমেদবাদতা শান্নখিবা মেটচ অমদা গুজরাত টাইতান্সনা সন রাইজরস হাইদ্রবাদকী রন ৮২ দা থোইখ্রে।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মণিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংগী নিট অন্দর গ্রেজেয়েট ২০২৬ কেন্সেল তৌখিবা, চীফ মিনিষ্টরগী চুরাচান্দপুর খোঙচৎ সি.এস.ও খরনা বোইকোট তৌরকখিবা অমদি উখ্রুল জিলাগী সংসকতা অসাম রাইফলসকা নুপীশিংগা মুকখিবগী পাউশিংনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনাৌলৈবাক পাউচেদা চীফ মিনিষ্টর য়ুমাম খেমচান্দগী চুরাচান্দপুর খোঙচৎ হৌজিক ফাওবা লৈখায় তাদ্রি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

পাউ অসি দ পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন ওইরি। সি.এমগী চুরাচান্দপুর খোঙচৎ য়ৈথোকপীয়ু হায়না কুকি ইনপীনা ফোংদোরকখিবা ৱাপম পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নিট য়ু.জি. ২০২৬ একজামিনেসন কেন্সেল তৌখ্রে, অমুক হল্লগনি হায়বা পাউনা পোকফমগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

চহি অসিগী নিট য়ু.জি. একজাম কেন্সেল তৌখ্রে, অনৌবা মতম অমা লেপ্পগা অমুক হন্না পাঙথোক্কদৌরি হায়বা পাউ অসি গানফিউ মেল য়াওনা অতৈ পাউচেশিংদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

য়ুমাক খেমচান্দনা লুচিংবা মিনিষ্টর ৫ গী লৈঙাক লৈরকপা নুমিৎ ৯৮ নি শুরে, মিনিষ্ট্রি চাউথোক্কদ্রা, চাউথোক্লোইদ্রা হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর অমদি ইংলিস ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অসাম রাইফলস তাঞ্জুল মীয়ামা ফুংয়ারদা থিংখ্রে, এ.আরনা লমন খুমদুনা সংসকতা মীচম চৎপা থিংখ্রে হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

গভর্নর আজয় কুমার ভল্লানা অমিত সাহগা উন্নদুনা মণিপুরগী সেক্যুরিতিগী ফিভমশিং কুপা খন্নখ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

রাজ্য অসিদা এল.পি.জি অমসুং ফ্যুএলগী অৱাৎপা লৈতে, আইনগী ৱাংমদা পেত্রোল্লিয়ম প্রদক্ট য়োল্লম্বশিং অকনবা এক্স লৌখৎলগনি হায়বা কেফ এন্দ পি.দিগী চেরোল অমা মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল তমেংলোংদা মালেমগী নর্সশিংগী নুমিৎ পাঙথোকখিবা পাউনা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

------